**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্ববগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

২) মনিপুরদা নুমিৎ মঙানি চথ্থগদবা য়াওশং কুম্মৈ ঙসিদগী হৌরে। লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংদা য়াওশং স্পোর্টস পাঙথোকপনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

৩) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা অখাক অরাউ অমদি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

৪) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি অসামদা থুংলরগনি।

অমসুং

৫) সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- অৱাং-নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা মঙলিবা মঙলান অদু মাঙফাওনহন্নবগী য়ামা মরুওইবা মফম অমনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্ববগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং অয়ুক ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ শয়াং কুরাউ মখোঙদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী নুপী কাদর অমা ফারে। ফারবা মীওই অসিদগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৮, পোইন্ট থ্রি আইটকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫, মোবাইল ফোন ৬ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অহুমসুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর-৮৫ অমসুং ৮৬ লোন্নবদগী আইন্না থিংখ্রবা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কাদরনি চিংনবা মীওই অমা ফাখি। মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চাইরেনথোংদগীনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- থা অসিগী ১২ দসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবু অমনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী মাওই অমা সেকমাইজিং নিংঙোলখোংদগী ফাগৎপা ঙমখি। লোয়নননা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনসু আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (অপুনবা)গী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই অমা অশেম লৈকাইদা লৈবা উপু-কাংথোল য়োনবা দুকান অমদগী ফারে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা পুখাউ শান্তিপুরগী চীংগী অকোইবদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা- মেগজিনগা লোয়নবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন ১০ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনাশাবী অমসুং থমাপোকপীগী অকোইবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদসু খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। লোয়নননা মীওই ১৫১ মশাগী শক্তাকচে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি।

য়াউশং(এল)ঃ মনিপুরদা নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা য়াওশং কুম্মে ঙসিদগী হৌরে। নুমিদাংৱাইরমদা লৈকাই লৈকাইদা য়াওশং মৈ থাবগা লোয়নননা কুম্মে অসি

হৌখি। অঙাংশিংনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা নাকথেং চৎনরি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা পাঙথোক্লি।

মনিপুরগী য়াওশং কুম্হৈ অসিগী থোইদোকপা শক্তমদি, লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংদা য়াওশং স্পোর্টস পাঙথোকপনা ওইরি। মফম কয়াদা য়াওশং স্পোর্টস পাঙথোকপা হৌনখ্রে। অমরোমদা, ঙসিসু ইম্ফালগী কংলা য়াওনা মরুওইবা লাইফমলেনশিংদগী য়াওশং স্পোর্টসকী মৈরা লৌবগী খোঙচৎ কয়া লাকখি।

মণিপুরগী য়াওশঙ কুম্হৈগী থোইদোকপা শক্তম অমা ওইরিবা য়াওশঙ স্পোর্টস লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংদা পাঙথোকবা হৌরে। ককচিং জিলাদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিং য়াওনা লৈকাইশিংদা য়াওশঙকী স্পোর্টস পাঙথোকরি।

য়াওশং কুম্হৈনা লাকপদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লা অমসুং মনিপুরগী বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-কুম্হৈ অসিনা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াইফবা অমদি ইং তপ্পা পুরকপা ওইরসনু। কুম্হৈ অসি মনিপুরদদি শান্ন খোৎনবগী ইহৌ অমা ওইনা চংশিল্লক্লি হায়রদুনা কুম্হৈ অসি মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা পাঙথোকমীন্নসি হায়রি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-কুম্হৈ অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমদি লিংজেল মান্ননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমগা অমগা নুংশিননা হিংমিন্নদুনা শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ঙসি অয়ুক নোং চিংগী ফিভম ফৎত্রবসু মীয়ামনা খ্বাইরম্বন কৈথেল য়াওনা ইম্ফাল এরিয়াদা লৈবা  কৈথেলশিংদা কৃক-কৃক ইন্ননা ইঞ্জাং নাপ্পী লৈবা লাকখি। মসিনা মরম ওইদুনা কৈথেলগা নকবা মফম কয়াদা কা হেন্না লম্বী চিনবগী খুদোংচাদবা মায়োকখি।

মরক অসিদা, য়াওশং কুম্হৈগী য়েংলগা ত্রাফিক পুলিসনা মরুওইবা লম্বীশিংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

তমেংলোং (এল)ঃ  তমেংলোং জিলাগী তামৈ সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা সিয়াং (লিয়াংমৈ) খুলদা নোংমগী ওইবা নাৎ অমসুং সংস্কৃতিবু ঙাক শেনদুনা হায়বা হিরমদা সেমিনার অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। খুলগী লুচিংবশিং, নহা, নুপী অমদি মহৈরোই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা অখাক অরাউ অমদি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, নোনে, তমেংলোং অমদি কাংপোকপী জিলাশিংদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী জিলাদা থা অসিগী ১৮ ফাওবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর অমদি ফোরজোল জিলাদনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা অখাক অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

ফিভম অসি কামজোং, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাদনা হয়েং ফাওবা থেংনরবা য়াই।

কিদনি (এল)ঃ  মালেমগী কিদনি নুমিৎ ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোকখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শোইবম লৈকাই-ৱাংখৈ খুনৌদা লৈবা সিতিজন্স ক্লবতা ঙসি থৌরম অসি ষ্টেট নোন কম্মুনিকেবল দিজিজ দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট এন.সি.দি. সেলগা ক্লব অসিগা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী কিদনিগী ফিভম ফরিব্রা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা নোংমগী ওইবা দাইবেটিস অমসুং হাইপ্পর টেন্সন লায়না লৈব্রা খঙদোকপগী থৌরমসু পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট নোদেল ওফিসার এন.সি.দি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং হেলথ সার্ভিসেসকী

জোইন্ট দাইরেক্তর ডাঃ য়ুমখায়বম প্রেমচন্দ্রনা হায়- মীয়ামা চাং নাইনা বি.পি, সুপর চ্যেক তৌবীয়ু। হৈ-রা ফজনা চাবীয়ু অমসুং কিদনিগী অনাবদগী মায়াম কলহৌশি।

লিয়াংমৈ (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম চৎনহন্দনবা অমসুং নাগা তাবা মফমশিংগী ঙমখৈ শন্বল খানবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রুৱাংদি, মণিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খাবগী থবক য়াংশিনহল্লগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হন্দক্তা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবুসু লুপ অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। চেরোল অদুদা হায়- ৱারেপ অসি ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু হন্থনা য়েংবা অমসুং শিংথানবিদবগী থৌওংনি। ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অসি চহি কয়াদগী চৎনদুনা লাক্লি অমসুং মসিনা নাগাগী মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌনদুনা নাৎ অমসুং চৎনবী, শেল থুমনচিংবদা অচেৎপা মরী লৈনদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা কেন্দ্র সরকারগী ৱারেপ অসি হন্দোকপীয়ু অমসুং নাগাশিংগা পুন্না ৱারী শান্নদুনা ৱারেপ লৌবীনবসু চেরোল অদুদা আপীল তৌরি।

থৌরম (এল)ঃ মীতৈ ইনাৎকী ওইবা থৌগাই থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিদা হান্নগুম শান্তি পুরক্তুনা অমত্তা ওইনা পুন্না লৈমিন্ননবা লাইশোল তিনশোনগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায়দা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পিছ কমিতি কংলৈপাকা শিনবনি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদা গ্রেস কটেজ কলচরেল এন্দ ইজ়কেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিং অমসুং ষ্টুদেন্টস লাইব্রেরি এসোসিয়েসন ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ককচিংদগী পল্লেল তাবা লম্বীগী নাক য়েৎতা উ চারা কয়া থাখ্রে। দসবিন কয়াসু থমখ্রে হায়রি।

অশিবা (এল)ঃ  দি.এম. কলেজগী নোংপোকলোম থংবা শরুক্তা লৈবা মাও মার্কেটতগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মিনিত ৫০ রোম তাবদা অশিবা হকচাং অমা ফংলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মীওই অদু ফিট ৫ রোম ৱাংই, মশা পায়, কুচু মুই, মশাদা অমুবা মচুগী জিন খোঙগ্রাউ, অমুবা মচুগী মেন সার্ট অমসুং জোগিং অমা লিৎলি। অশিবা হকচাং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক রিমসকা মোর্গতা থমখ্রে।

অমিতঃ  কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি অসামদা থুংলরগনি। হেক থুংলবগা মহাকা জোরহাট ইয়ারপোর্টতগী গোলাঘাটতা চৎকনি অমসুং দেরগাউদা লৈবা লচিৎ বরফুকন পুলিস একাডমীদা অহিং লেক্কনি। খোঙচৎ অসিদা মহাকা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি। হয়েং অয়ুক শ্রী সাহনা মিজোরামগীদমক খোঙশানদ্রিঙৈ মমাংদা মতম অসিগা চুন্নবা খ্বাইদগী নৌবা মখলগী পুলিস একাডমী অদু শঙ্গাগনি।

হয়েং নুংথিল পুং অনিদা শ্রী সাহনা আইজোলদা অসাম রাইফলসপু জোখোসাংদা নৌনা লৈফম হোংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। তুংদা, গুৱাহাতিদা হল্লক্লগা মফমদুদা অমুক অহিং পনগনি।

জিতেন্দ্রঃ  কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- অৱাং-নোংপোক লমদম অসি ভারতপু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা মঙলিবা মঙলান অদু মাঙফাওনহন্নবগী য়ামা মরুওইবা মচাক অমনি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী অনিসুবা সেফ্রোন হব ওইরগনি।

ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়- ইং কুমজা ২০২১ দা হৌদোকখিবা মিসন সেফ্রোন পাকথোক চাওথোকহন্দুনা সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়দা সেফ্রোন থারে। থৌরাং অসি নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদসু য়ৌহন্নবা হোৎনরি।

আর.বি.আই ঃ   আর.বি.আইগী গভর্নর শঞ্জয় মালহোত্রানা হায়রি- ক্লাইমেত চেঞ্জগী খুদোংথিবা কোকহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিনা লো কার্বোন ইকোনোমি ওইহন্নবা খোঙজং য়াংশিনহন্নবগীদমক প্রাইওরিতি সেক্তর লেন্দিংদা য়াওহন্দুনা রিন্যুএবল ইনর্জি প্রোজেক্টশিংদা শেল থাদবদা মাংজিল থারি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ক্লাইমেত চেঞ্জ রিক্স এন্দ ফাইনান্স হায়বা সেমিনার অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মালহোত্রানা হায়- লৈবাক অসিগী প্রাইওরিতি সেক্তর লেন্দিং প্রোগ্রামগী মখাদা সোলর, বাইওমাস বেজ, ৱিন মিলনচিংবা রিন্যুএবল ইনর্জি প্রোজেক্টশিংদা বেঙ্কশিংনা শেল পীথদুনা খুদোংচাবা কয়াসু ফংহনগনি।

তেলঙ্গনা ঃ তেলঙ্গনাদা এম.এল.এ কোতাগী মখাদা লেজিসলেতিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনবা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা মীরেপচে পীখৎলকখিবা মীরেপ মঙামক য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে। ঙরাং মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎতা রিটর্নিং ওফিসারনা মখোয় মঙামক লম্বা য়াওদনা খল্লে হায়না লাউথোকখি।

সরেন্দরঃ ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা নক্সলাইট ১৭ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লে। পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএল অমনা হায়-মতৈ মনাও অমা য়াওনা নক্সলাইটকী মীওইশিং অদু ঙরাং বিজাপুরদা পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখিবনি।

বিজাপুরগী এস.এস.পি. জিতেন্দ্র কুমার যাদবনা হায়-খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লবা নক্সলাইটশিং অদুনা মনুং ইহো হোবা, মীনুংশি য়াওদবা মাওইষ্টকী ফিদম, সেনিয়ার কাদরশিংনা মরাল লৈজদবা ত্রাইবেলশিংবু ওৎপী নৈবীবা অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী ইথিল চংবা হেনগৎলকপদগী মখোয় নীংবা কায়রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

খো খো ঃ ꠀ ৱাবগাই ইজ্‌কেসনেল এন্দ স্পোর্টিং ক্লব ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাইনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ৪৭ শুবা নুপা অমসুং নুপীগী মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র খো খো চেম্পিয়নসি ২০২৫ গী ঙসি নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এ.এস.কে.কে.এ অৱাং সেকমাইনা সিসদো হৈরোকপু পাঞ্জল ৬৪-২৮ দা থোইখ্রে।

নুপীগী ফাইনেল মেটচতনা পি.আর.এস.সি পৌরাবী ইম্ফাল ইষ্টনা এ.এস.কে.কে.এ অৱাং সেকমাইবু পাঞ্জল ৪৪-২৮ তা থোইখি।

কাং (এল) ঃ ꠀ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ১৯ দগী য়াইস্কুল কাংশঙগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দবতা হৌরগনি।

ক্রিকেটঃ ꠀ ৱিমেন্স প্রিমিয়ার লিগকী ফাইনেলদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা দিল্লি কেপিটেসকা হয়েং থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দা মুম্বাইগী ব্রাবোর্ন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা গুজরাট জাইন্সপু রন-৪৭ তা থোইদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

পেরা গেমস ঃ ꠀ ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড পেরা এথলেটিক্স গ্রান্দ প্রি ২০২৫ দা হৌজিক ফাওবদা ভারতনা সনাগী তকমান ৪৫, লুপাগী ৪০ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪৯ পুন্না তকমান ১৩৪ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

------